তমথীবী লাইচৎকী চৈথেংলকসিদা হারগী কুম্মৈসিবু কমদৌসি হায়রিজাৎনো!

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

কোক্কসে মৈখু বং-বং হৌরবোই নীংই। কোভিদ অপদেট হেক উবগা মিহুনকাসে ফ্রং-ফ্রং চোংবীনি। অমুক্কা হেন্না শাথীরিদি এম্ব্যুলেন্সনা ৱিং-ৱিং খোংলগা লাকপদুনি। অখণ্ড অহেৎশিংনদি পাখৎনু-পাখৎনু হায়। খনদি খনবশাই পাখৎলোই হায়না। কদাইদৈ হাইজিল্লকপা অকিবা পাখৎপনো খণ্ডদে থৌনা হায়বদু শ্বাই হেক্তমক মাঙখিবা। অঙাং ওইরিঙৈদা মরম শুংলৈ হেক লৈতনা তম্নলাই পংকিদা কিরম্বদু হৌজিক্তি কোভিদ-১৯না ওৎপমক্তদা ৱাখল পূক্লিং হকচাং পুমচোক হেক চোকথরে। ফীভমসিদা হিংবগী মওংসি কুইনা শাংনা লৈরবদি লৈরক লমজাও তাবা চেথী চেগুম খুনবা মী মশীং ওখাক য়ামদৌবা মাল্লি। থায়না মতম অমদা কোরোনা মহীক্কী মীহাৎ কিৱদৈ তরং মালং ওইখিবা মী মশীং খংহেন হেনগৎখি হায়না হয়েং তুংগী মীরোলনা ৱারীনদৌবা মাল্লি। পাখৎপা অকিবনা লাঙ্গৈাই চল্লিঙৈ চৈরকসিদা চাকখাউগী মচাক মপূং ফানা হুনবা ঙমদবা মশীং থিঙমদখৈ লৈরিবনি। ইনাক খুনবা য়াইফবা, ফম্নাই তুনাইবা, চাউবা পিকপা খণ্ডদে লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংদা থবক তৌদুনা থাগী শোয়দবী খরা লাকপা মীওইশিংগীদি খজিক্তং শাফরমগনি। মশীং য়াম্বা লৌমী-শিন্মী, খূৎনেক শূদুনা হিংবশিংদি হিংননবগী লানফমদা খূৎলায় য়াওদনা লাম্থেংনবগী ফীভমদা লৈরি। লাইচৎ অসিগী খয়াত্তা তাখ্রবদা ফীভম শোকচিল্লবশিংদি অশিববু শীংনবা ঙমদবা মশানা তাবনি। পুন্সিগীদমক লুপা লাখ-লাখনা খুজিং ওইবা শেল চবুন চবুন্দু কদাইদগী লৌরুনি? শিবা কিদবা কনাসু লৈতে। অদুম্মকপু য়াদা হুঞ্জিন্নবদুনা লৈরক্ত্রবা মতমদদি হায়নরকপা য়াওই, ***কোরোনানা নারগা শিবসু শিবা, চরা হেন্দুনা শিবসু শিবা, ইচাশিং মবুক থন্না মচিন পেন্না পীজরগা শিরবসু শিমিন্নরগে।*** মসিদনি লৈঙাক্কী য়াথং ইন্দবা ইচিন-ইনাও, ইমা-ইবেল, ইবুং ইপ্পা য়াওরক্লিবসি। লোকদাউন, কর্ফিয়ু মনুংদা মপান থোরকপা খুদিংমক লমহেন তুহেনবা ঙাক্তনি হায়না লৌবদি অরানবা ওইগনি।

ইঙেন থা হায়বদু ওইরে। অহল লমনশিংনা হায়নবা ফৌ হুনবা তৌহৈদবা ইঙেন লাইচুবা থাদুনি। কুমগী নোংসু নিংঙাই তৌরিরা শাউরিব্রা ওৎপা য়াবা ওৎলগে হায়রিরা, তানীংগুম-তানীংদগুম তেরাউরগা অসুম্মক লৈরে। লমদমসিদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংবা লৌবুক মশীং পওয়াম য়াম্বা নত্তেদো। তুং কোইবা ঈথৈ লৌখোংগী থৌরাং শেমদুনা মণিপুরগী লৌবুকশিংসিনা চহী চুপ্পা পূমশং শংলদবু চান-থক্লবা ৱাৎপগী চৈথেং ফংখিদ্রা? খল্লুবদা ইকায়বা ফাওই চীংশাং-চীংজাও, লৌবুক-লমহাংনা ইথন থল্লবা ইরমদম অসিগী চাকখুমশিংদা মীরমগী থাও, মোরোক, আলু, তিলহৌ, মঙ্গল, হৱাই, চনম্নচিংবনা মনীং তম্না ঙানথোইরিবসে। ৱাসে ফৈরেংনখিদৌরে। ইঙা কুমদম্বা হঙোই লোয়ননা হারি নোংনাং, নোঙ্গৌবী চেক্লাকাদু কৈদৌরজাৎনো। মখোয়না তন্দে মোন্দেনবনরা কুমগী নোংনা মখোয়বু উশিৎপীদব্রা কৈনোমদি ইতৌ তৌরে। ফৌদি হুনবা পান্বী লিংফম লৈতবা লৌবুকশিংনা খৌগংনবনে, লৌ শীৎপা কুম ওইরদ্রা হায়বগী মিপাইরবা লৌমীশিংগী অৱাবসিবু খঙবীবা লাইকাদু কদাইদা লোৎখ্রজাৎনো? থায়না মমাঙঙৈদসু কোলেরা লাইচৎ, লাইজাউ থোকপনচিংবনা য়াম্না ৱাহনমাল্লে। কুম কাংবা, ঈশিং ঈচাও অমদি মতিন মকাঙ তাবনা মরম ওইদুনা লৌরোক মহৈ য়ান্দবা চাক তাঙবা থোকখিবা পুৱারীনা খুদম চাংদম ওইরি। থায়ননা থায়না ওইরবসু সাইন্স অমদি টেক্নোলোজি চাওখৎলবা মতমসিদদি অৱাবসি থোকহন্দবসু য়ারব্রা খল্লি। নোংগী ঈশিং মরীক অমা ফাওবা মাঙহন্দনা তূংশিন্দুনা থম্ননবা তুং কোইবা থৌরম থৌশিল শেম্ফম থোক্তব্রা? ঈথৈ লৌখোংদা মীৎয়েং হেন্না থম্বা মথৌ তারি। নিংথৌগী সুপ্নম শাসন্দগী নীং তম্লবা মীয়ামনি। ইশা ইশানা খঞ্জবা মীহুৎনা শেম্বা লৈঙাক লৈরে। য়াইফ-থৌরাং পায়খৎহনবা হায়বসি ঐখোয়গী খূত্তা লৈ। অখণ্ড অহৈ মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা মীওইনা পিক থন্না লৈবগুম উরবসু কদাইৱাইদনো অমদি ইহো হোবদৌনা তৌরি। মীসু লাইসু কৈনোমা ইতৌ তৌবনরা খণ্ডদে, ঐখোয়না অসুক য়াম্না ৱারিবসে।

ফৌদি হুনবা হুন্দবা লৌ লিংবা লিংদবা অৱা পোৎলুম অমনা অমুক লৌমীশিংবু ঙাইদুনা লৈরি। মমাঙঙৈ হার থোরক্ত্রিঙৈনা থোরক্ত্রিঙৈ ওইরে, চাইবা হৌরুরবনিনা ফৌপানশিংসু য়াম্না কেথোক মৌথোক্লে। হার য়াওদ্রবা ভিটামিন মখল মখল পীজদ্রবা তীল হীদাক কাপ্পিদ্রবা, ফৌদো ফৌ ওইদ্রে। কমদৌরিনো খণ্ডদে, ফনা কুইরে ফৌ পান্বীশিংনা হার য়োৎনীংবনা হম-হম লাউরকপা মতমদা ফংদবগী লান হেক্তমক লাকই। শেরান্নবা লম্বীদা চৎখিদনবা হায়দু ওইরমদৌ মাল্লে হার খূৎয়োন অমা তৌরক্লিবসি চহী অহুম/মরি হায়রক্লে। লৌশান উবা নৎত্রগা মশাগী লৌ লৈজবশিংদা অকক্নবা নুমিৎ, পুংশিংদা লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদা হার য়োনবগী থবক চত্থরক্লি। লৌগী পাট্রা অমদি লৌপুগী আধার কার্দসু চঙই। অমরোমদা য়াম্না চুম্বা থৌশিলনি। অদুবু কনাগুম্বনদি হায় মদুদা থৌ শীৎখৈ খোয়দৌ থীৎফম থিরুদৌ শরুক তাঙলবসু তাঙনা হার য়োনফম দুকান্দগী লৈজরুগে। মদু হায়নীংদুনা হায়বা নত্তবজাৎনি। সুম থেংনজরকপদা ঙন্তানা চৎখ্রগা চরা হেনখৈ ক্যু লেংলগা নুমিত্তুগী হার ফংদনা নুংশানা কাথেল্লগা হল্লকখিবা মীওই কয়াসু য়াওখি। কুমসিসুনি অতাবা মমলদা হার য়োনবা হৌরি হায়দুনা আধার, লৌগী পাট্রা ফোটোষ্টেট তৌবা কোয়চেন চেন্নে। অথিংবগা লৈশিল্লে ওন্থোকপা মতৌনি। হায়না হায়না মশাগী অশেংবা লৌ উজবা মীওইশিংদি খরা ফৈ, লৌশান উবশিংদদি য়াম্না খুদোং চাদবজাৎনি। ককচীংদা হায়রিবা হার খূৎয়োনদু হৌখ্রে। মদুদা তিনবা মীয়ামদু কিদবা ঙমদে। ফেস মাস্কপুদি উপ্লে হায়ববু শোয়নীংঙাইদি ওই। অয়ূক অঙনবদগী পৈবজাৎনি। অশিন অরাঙ তৌরিবশিংনদি হায়রম্বসু খণ্ডদে, মথৌ লৈতনা কনানা ঙন্তানা লাকউ হায়বগে, তপ্না তপ্না অদুম্মক পীদৌ লৈরসিবু হায়না। মীয়াম্না চরা হেনখৈ, তমথীরবা লাইচৎপু তেমশিংনরগা ক্যু লেংলবদু হরাউ নুংঙাইবগীদি ওইরম্লোই হায়নীংই। মদো হার ফংহৌরোই হায়বগীনি। মিপাইরিবগী মরমসু লৈরমগনি। তাঞ্জাসিদা চিন্থোক্লা অশেংবরা খণ্ডদে, নুমিৎতুগী ওইনা পীগদৌরিবা হারদু মীওই চনিখক্কী ওইনা বেগ চনিখক্তনি হায়বগী পাউনিনখোল অমসু লৈখি। মতমসিগী ওইরিবা ফীভমসিদা ঐ ঐগী ফংহৌরগা লোইরে হায়বসিদা শিবা নাবগী ৱাখল লাপ্না হুঞ্জেকখিব্রা খল্লি। কুমসিদি তাঙলবসু তাঙনা লৈগে ফংনদে। লায়না লাইচৎনা ওৎপীরবা, কুমগী নোংনা থৌজানবীদ্রবা মীচং শঙ্গন ৱাৎচরবা লৌমীশিংনা হার ফংলরোইদ্রা হায়না মিপাইবসি পোক্তনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙবা মতম ওইরব্রা খঞ্জে। লৌমীশিংনা চপ মান্নবা ফিরেপ অমদা ***ঐখোয়সু ময়ামসু চরা হেনমিন্নরসি, শিরে শিমিন্নরসি, হিংলে হিংমিন্নরসি*** হায়না থবক চপ লেপথোকখ্রদি ঐখোয় পূম্নমক ৱামিন্নবা তাবনি। হরয়ানা, পঞ্জাবনচিংবদগী চেঙপোৎ চেঙপোৎ পুথোরক্কনি ৱানীংঙাই লৈতে হায়না ঐখোয় পূম্নমক নীংঙাইদনা লৈথোক্লগদি ইরমদম মণিপুরগী মাঙজবনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

হার য়েল্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা য়ুরিয়া হার য়েনবগী মতম নৌনা অমুক লেপ্লে হায়না দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর থৌবাল অমসুং ককচিং এন জয়কুমারনা থোকপা চেরাল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অদুগী মতুং ইন্না থা অসিগী ২৩দা সুগ্নু এসী, ২৪দা হিয়াংলম এ সী, ২৬তা ৱাবগাই অমসুং তাং ২৭তা ককচিং এ সীগী য়েনগনি হায়রি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এস পি হোপসন সাপম অমদি ভি দি এফ ৱেলফ্যের কম্মিটিগী চেয়রমেন এদিসনল এস পি (এল ও) লুইখম লানমিয়ো অনীগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসননা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈরিবা ফখ্রবা ভি দি এফ পর্সনল ২৩দা শেল ওইনা লুপা ২,০০০/২,০০০ গা লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু মতেং পাংখ্রে। মখা তানসু লায়না অসিনা নারবা ভি দি এফ পর্সনলশিংদা অঙন্বা মতেং পাংখিগনি হায়রি।

তেংবাঙ পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): মালেমগী তমথিরবা লায়না কোভিদ-১৯না পীরিবা চৈনা চৈথেং অসিদগী খরদা ওইরবসু মতেং ওইনবগী পান্দমদা হাংদোকখিবা 'কে টি পি কোভিদ-১৯ রিলীফ ফন্দ' দা মীয়াম্না কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংবু খঙবীদুনা শেলগী মতেং, হীদাক লেপ্পুনা মতেং পাংবীরক্লি। হৌজিক হৌজিক শিজ হোস্পিটালদা লৈরিবা ঐখোয়গী মেম্বর অমগীসু ঈগী দরকার লৈবদা আর কে ইচাতোন অমদি মহাক্কী কাওবুনা 'কে টি পি কোভিদ-১৯ রিলীফ ফন্দ'দা ব্লদ দোনেদ তৌবীরক্লি। মীয়ান্নসু মখা তানা কে টি পিশিংগী অৱাবা উবীদুনা অঙম অঙম্বা তেংবাঙ পীবিরকখিগনি হায়বগী থাজবসু থমজ রি হায়না ওল মণিপুর কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট পেসেন্টর্স ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মাষ্ট টেষ্টিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা সৈজাং প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ক্লব (এস পি ৱাই সী) অমসুং সৈজাং কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট সী এম ওগা খূৎশম্নরগা সৈজাং ময়ায় লৈকায় লাই হরাওফম লাইপুংদা মাস টেষ্টিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। টেষ্টিং প্রোগ্রাম অদুদা পুন্না মীওই ৩৫০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৬৪ পোজিটিভ ওইখি। পোজিটিভ ওইখিবা মীওইশিং অদুদি সৈজাংদগী মীওই ৫৪ অদুগা ১০না নাপেৎ লম্লাই অমসুং তেলৌদগীনি।

অমরোমদা, সনাশাবি য়ুথ ক্লব অমসুং সনাশাবি খুন কম্মিটি য়াইঙংপোকপী পি ঐচ সীগা খূৎশম্নরগা সনাশাবী কম্যুনিটি হোলদসু মাষ্ট টেষ্টিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। পুন্না মীওই ১৭১ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৫ পোজিটিভ ওইখি। পোজিটিভ ওইখিবশিং অদু সনাশাবী ভিলেজদগী মীওই ২১ অমসুং ১০ অমনা থম্নাপোকপী অমসুং সাবুংখোক খুন্নৌদগীনি হায়রি।

'টাস্ক ফোর্সকা তানরমদনা অমসুং পোজিটিভ ওইবা য়ূমলৈ কৈরৈ য়েংবা লাক্লমদনা হোম আইসোলেসন পীবা য়ারোই'

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): চীফ মেদিকেল ওফিসর ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়তনা কোনবা মফমদা লৈবা পৌরাবি খুলদা কোভিদ-১৯ অহানবা ৱেভ হেক লাকপদগী ঙসি ফাওবা কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিনা কোভিদ লাইচৎ লাম্থেংনবদা খুল অসিগীদা নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদসু য়াম্না চাওনা দায়ত্ব লৌদুনা লাক্লি হায়না কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাহেংবম জনমেঞ্জয়না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হেল্থ ৱারিয়রশিং অহানবা ৱেভ লোইশিল্লকপদা টাস্ক ফোর্স অসিনা শীন্দুনা পৌরাবিদা এপ্রিসিএসন ফঙ্কসন শীনখিবা, লম্লাই অমসুং খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা এস পি অমসুং সী এম ও ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মীৎয়েং মখাদা পব্লিসিটি কেম্পেন চত্থখিবা, এদিসনল এস পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ষ্টাফশিং য়াওনা পৌরাবি লাইনিংথৌ পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম চত্থখিবা, টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম কয়ারক পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা, মতম মতমগী লৈঙাক্কী এস ও পি অমসুং ওর্দরশিং খুল অসিদা ইনফোর্স তৌনবা দায়ত্ব লৌদুনা লাক্লিবা অসি শীংথাবা য়াই।

পৌরাবি হায়রিবা খুল অসি শুজ নোমজরগা হিংবা খুঞ্জাশিংনা হেন্না য়াম্না লৈবা মফম অমনি। পৌরাবিদা মথক মখা লৈবা বিল্ডিং ১৮ দগী হেন্না লৈতে। য়ূমলৈ-কৈরৈ য়েংদনা হোম আইসোলেসন ওইহৌদবদগী ঙসিদি পাক-শন্না পোজিটিভ ওইবগী অচৌবা মরম অমনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না য়ানরবা ৱাফম্নি হায়রি।

মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙগী ষ্টাফ অমত্তনা খুল অসিদা লাক্তুনা য়ূমলৈ-কৈরৈ য়েংদবীদা হোম আইসোলেসন পীবিগনু অমসুং হোম আইসোলেসন তৌবদা ইনকরেজ তৌবীগনু হায়দুনা খঙহঞ্জরি। তঙায় ফদবা অয়াবা পীবা তারগসু হোম আইসোলেসন তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লোইনা ফংলবা অমসুং কোভিদ লাম্থেংদা অচৌবা দায়ত্ব থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা মীয়ামগী কথোকচদুনা লাক্লিবা কোভিদ-১৯ জোইন্ট টাস্ক ফোর্স পৌরাবিগা তানরমদুনা পীবিনবা মরী লৈনবা পূম্নমক্তা খঙহঞ্জরি।

কোভিদ-১৯গী তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসিগী অৱা-অনাদা শেল থুমগী, পোৎ-চৈগী তেংবাং পীবিরকপা পূম্নমকসু ইকায় খুম্নবা ফোঙদোকচরি। অদুবু খুদোংচাবা লৌদুনা নাতোন মখুনমুক খুবা রাজ নিতি তৌবীদনবসু থমজরি।

অনীশুবা ৱেভ অসি নুংশিত্তা মহীক শন্দোক্তুনা অকিবা শক্তম য়ৌরবা মীকূপ অসিদা পৌরাবি অৱাং লৈকায়দা অহানবা ৱেভতা ইমুং হুপ্না পোজিটিভ ওইখিবা অমসুং ভেক্সিনেসন তৌদ্রিবা ইমুং অমা হৌজিক ফাওবদা ইমুংদুগী মীওই ৯দা ৩ টেষ্ট তৌবদা লোইনা পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। অতোপ্পা ৩ অমসু পোজিটিভ ওইদুনা পুন্না ঙরাং অমসুং নহান্দা মীওই ৬ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মশীং অসি য়াম্না থুনা হেনগৎলক্কনি থাজৈ হায়রদুনা চেরোল অসিনা মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা হোম আইসোলেসন পংপীদা পীশিল্লক্লবদি পৌরাবি খুল মোংফমগী মৈরিনা য়োল্লগনি হায়রি।

ঙসি ফাওবদা টাস্ক ফোর্সনা কূপ্না খন্ন-নৈনদনা অমসুং জেনরেল বোদি মীটিংদা ৱারেপ লৌদনা হোম আইসোলেসন পীদে। ঈ দি দি মতম শুরবা, দেলিভরি তৌগদৌরবা অনাবা ফাওবা মমাঙদা সী এম ও ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এল ইন্দিরানা জে নিমসতা মতম চানা এদমিট তৌবীদুনা অঙাং উনহনখ্রবনি হায়রি।

মমাঙ থা লোইশিল্লকপদগী কন্সর্ন ওথোরিটিশিংদা জুলাই ২০ ফাওবদা পৌরাবিদা ভেক্সিনেসন তৌবীয়ু হায়দুনা লাকচবনি। টাস্ক ফোর্স অসিনা মেগা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমগীদমক শেম শারি। লোয়ননা ঙরাংসু সী এম ও ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা দা. ভিক্রমনা অচৌবা দায়ত্ব লৌবীদুনা ষ্টেট কালা একাদেমিদা মীওই ২৩ আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌখি। হৌজিকসু টেষ্ট তৌথোকচগে হায়বা লেপত্রে। অদুবু টোটেল কর্ফিয়ু লৈবনিনা খুঞ্জাশিংনা চথোক-চৎশিন তৌবদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। হীরম অসিদসু মরী লৈনবশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা কোভিদ-১৯ খুল অসিদা লাকশিনবদা মতেং পাংবীনবা আপীল তৌরক্লি।

অরোইবদা, টেষ্টিং সেন্টর পুন্নমক্কা পূং ৭২ শুদ্রিবফাওবা শেলগীদমক হঞ্জিন হঞ্জিন টেষ্ট তৌবা লেপ্পীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

ট্রান্সজেন্দর ২১০দা ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা মতুং চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): ট্রান্সজেন্দর হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর মণিপুর, মরুপলোই ফাওন্দেসননা কোভিদ-১৯ রেস্পোন্স এক্টিভিটিগী মখাদা জুনগী তাং ১দগী হৌদুনা চত্থরকপা ট্রান্সজেন্দরশিংতগী ওইবা অখন্নবা কোভিদ ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদুদা অপূনবা ট্রান্সজেন্দর নুপা অমদি নুপী ১০০ রোম ভেক্সিন কাপথোকহনখ্রবা মতুংদা অনীরকশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ট্রান্সজেন্দর ২১০দা রেসন অমদি অতৈ দেলি ইসেন্সিএল আইটেমশিং য়েন্থোকখ্রে।

হায়রিবা রেসন সপোর্ট য়েন্থোকপগী খোঙথাং অসি বোনিতা পেবম, সেন্টর কোওর্দিনেটর, বিশেস হুইরেম, লীদ কম্যুনিটি মোবিলাইজর অমদি রোরো খুমন্থেম, কম্যুনিটি এদভোকেট অহুম্না পূন্দুনা চত্থরকপা ওনলাইন ফন্দ রাইজিং কেম্পেনদগী ফংলকপা শেল অমদি মখোয় অহুমগী লম্নাই পোকেটতগী খায়নবা শেলগা পুনশিন্নদুনা কম্যুনিটিশিংদা তঙায়ফদনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ওইনা য়েন্থোকপনি। জুলাই তাং ১৪দগী হৌদুনা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চত্থরকখিবা রেসন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ট্রান্সজেন্দরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোভিদতগী সেফ ওইনা লৈনবা পান্বৈশিং ভেক্সিন কাপথোকপগী কান্নবা হায়বা হীরমশিং অসিদা এৱেয়রনেস পীবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

কোভিদনা মরম ওইরগা শেন্দাল লম্বী মাঙখ্রবা অমদি মতম শাংনা শেল তানবগী খুদোংচাবা মাঙখিবনা মরম ওইরগা ইমুং মনুং পুজরিবা ট্রান্সজেন্দরশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং অসি খজিক্তং ওইরবসু শাফনবা হায়বা পান্দম অসিদা কোভিদ রিলীফ সপোর্ট দিষ্ট্রিব্যুসন অসি তৌজবনি হায়না ট্রান্সজেন্দর হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরগী কোওর্দিনেটর বোনিতা পেবমনা ফোঙদোরক্লি।

ফন্দ রাইজিং কেম্পেন অদুদা মতেং পাংবীরকখিবা পূকচেল চাউরবা চাউরবীশিংবু মিদিয়াগী থোঙদা থাগৎপসু ফোঙদোকচরি হায়না মখা তানা বোনিতা পেবমনা ফোঙদোক্লি।

বেবিসনা লৈখিদবা চহী ২ ফারকপগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): জে এ সী এগেনষ্ট দ মর্দর ওফ নিংথৌজম বেবিসনা চনুনা মাগী ইমুং মনুংগা খূৎশম্নরগা বেবিসনানা লৈখিদবগী চহী অনী মপূং ফারকপগী নীংশিং থৌরম ঙরাং অয়ূক অমদি নুমিদাংদা ফিরাল মখোঙ, থাংমৈবন্দ মেস্নাম লৈকায় অমদি বেবিসনাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংগী লৈরোল চনখিবা মফম, তাঙ্খমদা হৈকৎ-লৈকৎ অমদি মৈরা কৎতুনা কোভিদ লাইচৎ পেন্দমিক লৈবনা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্তুনা মমিংতগী ওইনা পাঙথোকখ্রে হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দ মর্দর ওফ নিংথৌজম বেবিসনা চনুগী কনভেনর এল গ্যানেশ্বরিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বেবিসনা লৈখিদবা চহী অনী মপূং ফাখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্তুনা অচুম্বা ৱায়েলদি ফংদ্রি। সী বি আইদা শিন্নখ্রবসু অচুম্বা ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্টতি পুথোরকপা লৈত্রি। অদুবু বেবিসনাগী অচুম্বা ৱায়েল ফংদুনা মীহাৎপশিং আইনগী ওইবা মতীক চাবা চৈরাক ফংদ্রিবা ফাওবা জে এ সীনা হনবা লৈতনা খোঙজং চঙশিনখিগনি। মসিদা মণিপুর মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

'করি হায়রি, করি তন্নি' হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): 'করি হায়রি, করি তন্নি' প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন, মণিপুরনা ফেসবুককী খূথাংদা লাইভ ওইনা মমাঙ থা জুন ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৮ তাবা মতমদগী পূং অমগী মতম ওইগদবা লুপসিগী মমিংসিমক্কী গ্রুপ্তা জোইন্ট সেক্রেটরি সোবিতা সৌবামনা হোষ্ট ওইদুনা জুম ক্লাউ মীটিংগী মতেংগা লোয়ননা লাইব ওইনা হৌদোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি অঙৌবা তোংব্রমনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

থৌরমদুদা লুপসিগী প্রসিদেন্ট লাইমুজম রামেশচন্দ্রনা থা অমগী য়ুমশকৈশা খূদিংগী শন্দোক্কদবা থৌরমসিগী মরমদা ৱারোল থমখি। মালেমগী লাইচৎসিনা লুপসিগী থৌরম থৌদা কয়া অমা পাঙথোক্তনা লৈরিবসিদগী খরা খজিক মতেং মতেং ওইনবা থা অমগী য়ুমশকৈশা অহানবা অমসুং অরোইবা য়ুমশকৈশা খূদিংগী অখণ্ড অহৈ অমমমগা শৈরেং, ৱারেং, ৱারীমচা অমসুং দ্রামা মচা পানবগা লোয়ননা মরক্কী য়ুমশকৈশা অনীনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোকচগদৌরি হায়খিবগী মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিকসু চত্থদুনা লাক্লি।

থৌরমদুগী অখন্নবা মীথুং ওইরম্বা হান্নমা লুপসিগী প্রসিদেন্টকী থৌসু পুবীরম্বা সলাম তোম্বনা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএন, মণিপুরনা করম্না হৌরকখিবগে হায়বগী ৱারোলগা লোয়ননা প্রোগ্রেসিভিজমগী ঈহৌদা অইবা অইবীশিংগী খূৎইগী মরমদা ৱারম কয়া'মা থম্বীরমখি।

থৌরমসিদা রনধির কুমার য়েন্দ্রেম্বম একজেক্যুটিভ মেম্বর, অঙৌবা তোংব্রম সেক্রেটরি, প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএসন, মণিপুর অমসুং হেরোজিৎ পুখ্রাম্বা ট্রেজররনা কো-হোষ্ট ওইনা শীল-লাংদুনা অহৌবগী থৌরমদা লেংশিনবীরিবা থৌমী খূদিংমক্লা শৈরেং, ৱারীমচা পাথোক্লদুনা থৌরমসি লোইশিনখি।

লোয়ননা মালেমগী লাইচৎসিনা তংদু-লৈতানা লৈত্রিঙৈদা অইবা অইবীশিংনা থৌরম অসি য়াওবীয়ু অমদি মীৎয়েং তাবীনসু চেরোল অসিনা অরোইবদা খঙহল্লক্লি।

'খুন্দ্রাকপম এ সীদা কোভিদ লাইচৎ থিংমিন্নসি'

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): খুন্দ্রাকপম এ সী দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা এম এল এ টিঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন মনুংদা লৈখ্রবা ইমুংশিংদা নোংমগী চাকখুমদা চঙবা পোৎলম য়েন্থোকপগী মখা তানা ঙসিসু ইমুং ৫৭তা য়েন্থোকখ্রে।

ইমুংশিং অদুদি পুখাও ফুজুদা ইমুং ১৯, পুখাও লাইফমদা ৪, পুখাও নহারুপ মখা লৈকায়দা ২, পুখাও তেরাপুরদা ১, য়ূম্নাম খুন্নৌ মখা লৈকায়দা ২, তাংখম অৱাং লৈকায়দা ৩, খুন্দ্রাকপম ৱাই এল এল এরিয়াদা ১৩, খুন্দ্রাকপম পি ৱাই ও এরিয়াদা ৩, পাঙ্গৈ য়াংদোংদা ১০নি।

মখা তানা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা মতেং পাংখিগনি । এ সী অসিদা লাইচৎ অসি থিংনবা তুম্বা চাবা খঙদনা লাম্নী অমা ওইনা ময়াম্বু লমজিংদুনা চোকথবা নাইদনা হোৎনরিবা এ সী অসিগী এম এল এ টিঐচ লোকেশ্বরবু থৌনা হাপ্পীদুনা লাইচৎ অসি মরু ফূক্না মাঙহন্নবা হোৎনবদা ময়াম্না মতেং পাংবীবা কাওবা লৈজরোই হায়না এস য়াইস্কুল সেক্রেটরি জেনরেল কে কে দি সীনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, খুন্দ্রাকপম এ সীগী মফম খরদা পীল্লিবা অঙাং য়াওনা কোভিদ লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীরকপদা নুংনাংবা ফাওই। ঐখোয়না চেকশিন্না লৈরিমখৈ লায়না লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবগী পান্থৈ ওইগদৌরিবনি। খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মীয়ামগীদমক লৌফম থোকপা থৌদাংশিং লৌজগে। মীয়াম লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা ফেশ মাস্ক উপ্পা, খূৎ-শা তোয়না হাম্বনচিংবা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকমিন্নসি হায়না মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

মাস ভেক্সিনেসন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): কোভিদ লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা পান্দমদা লেপ্পুনা চত্থরক্লিবা মাস ভেক্সিনেসনগী মখা চত্থরকপা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, মেদিকেল ষ্টাফ অমদি অজুকানা শীন্দুনা জিরিবামগী বরাক সর্কলদা মাস ভেক্সিনেসন থৌরম পাঙথোকখ্রে অমদি অজুকাগী মায়কৈদগী হেন্দ সেনিটাইজর, ফেশ মাস্ক অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

মাস ভেক্সিনেসন অসিগা মরী লৈননা অজুকাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম প্রেমচন্দ্রনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সী এম ও জিরিবামগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্লিবা মাস ভেক্সিনেসন থৌরম অসি ঙসিগী ওইনা বরাক সর্কলগী চোংখাম পুঞ্জি, নেতাজি হায় স্কুল জোকারাধোর অমদি দোলাখল খুনশিংদা ভেক্সিনেসন সেন্টর অমা হাংবগা লোয়ননা দোলাখলদা মোবাইল টিম অমমম্না ভেক্সিনেসনগী থবক চত্থরি। মমাঙদসু হায়জখ্রে, জিরিবামগী মীয়াম্না ভেক্সিনেসন অসি কাপথোক্তুনা জিরিবাম লমদম অসিবু কোভিদ লৈতবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহন্নবা ময়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না অজুকাগী মায়কৈদগী আপীল তৌরক্লি।

'লৌমীশিংদা ঈশিং পীয়ু'

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচএনএস): দোলাইথাবী বেরেজগী শরুক ওইরিবা ঈশিংথেম্বী য়ূম্নাম খুন্নৌ, শম্বৈগী মায়কৈদা লৈরিবা লৌমী মীয়ামগীদমক হৌখিবা জুলাই ১৩দা দোলাইথাবী বেরেজ দিভিজন (টু) গী এ ঈ, মোইরাংথেম রাকেশনা ঈশিং পীবা হৌরে হায়না মিদিয়াগী খূথাংদা ফোঙদোকখিবা নুমিৎতগী ঙসি ফাওবা ঈশিং অমত্তা থাবীরক্তবগী মরম মীয়ামদা ময়েক শেংনা হায়বীয়ু। ঈ ঈ দসু ফোন তৌদুনা হায়জবা খূদিং ঈশিং পীরে হায়না অদুমক হায়বীরকই। অদুবু ঈশিংদি য়ৌরক্তে। পুখাও ইরানফম, সগোলমাঙ অমদি য়ূম্নাম পাৎলৌদা ওইরিবা কয়া অসি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা মপূং ফানা য়েংলগা শেম্বা চুমগনি। ঈশিং য়ৌদ্রিবা মফমদা য়েংশিনবা লাক্লগা থবক ওইনা অমত্তা পায়খৎলক্তবা হায়বসি মীয়াম্বু থওইদবা অমদি নমথাক তৌবনি। কেনেল অসিনা লৌফম কয়া তৌথোক্লগা কান্নবদি অমত্তা পীবা ঙমদ্রবদি কেনেল অসিগী কম্পেন্সেসন হন্দোক্লগা পুম্রি ওইনা তৌথোকপনা ফরগনি হায়না লৌমী মীয়াম্না খন্নবা লৈরে হায়নসু মখা তাখি। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা থবক পায়খৎপীয়ু হায়রি।

XTRA EDGE SCHOOL
Ghari Awang Leikai, Imphal - 795140
ONLINE REGISTRATION OPENS
FOR CLASS XI (2021-22)
Visit School Website : www.xtraedgeschool.in
Download Admission Bulletin and Read Instructions carefully before filling up the form
Mode of Selection : Online Entrance Exam Test
Last Date of Form Submission : 23-07-2021, before 12:00 noon
EDUCATION IN UNDERSTANDING
HL-P/6329/18,20,22